## এন সী পি হায়না খঙনরগনি

বৈজিং, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
মতম খরগী ওইনা কোরোনা-ভাইরসকী ওফিসল মমিং নোভেল কোরোনাভাইরস ন্যুমোনিয়া (এন সী পি) কৌরগনি হায়না চাইনাগী নেসনল হেল্থ কম্মিসননা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।
ইনফেক্সন অদুগী তুং কোয়না চৎনগদবা মমিং অমা লেপত্রিফাওবদি চাইনানা লৈরিবা গর্ভর্নমেন্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংনা অনৌবা মমিং অসি শীজিন্নগদবনি হায়না কম্মিসন্না থাংজ নুমিত্তা প্রেস কন ফরেন্স অমদা ভাইরকসকী মমিং অসি লাউথোক্লদুনা হায়খি।

## য়ুক্রেনদা ব্লেক বোক্সশিং শীন্নরবা য়াই

কিভ, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
ইরান্না য়ুক্রেনগী কায়খিবা বোইং পেসেঞ্জর প্লেনগী ব্লেক বোক্সশিংগী দেতা পাবা ঙমদবা তারবদি ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা ব্লেক বোক্সশিং অদু য়ুক্রেন নৎত্রগা অতোপ্পা লৈবাক্তা শীনবসু য়াই হায়না য়ুক্রেনদা লৈরিবা ইরানগী এম্বেসেদর মনোচের মোরাদিনা ফোরম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখ্রে।

# এক্কিট তৌরবা মতুংদা ট্রম্পনা মরু ওইবা ইম্পীচমেন্ট ৱিটনেস অনী মফম লৌথোকখ্রে








ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ইম্পীচমেন্ট ইনভেষ্টিগেসন মনুংদা মঙোন্দা খ্বাইদগী হেন্না শোক্লিংঙাই ওইবা ৱারোল পীখিবা মরু ওইবা ৱিটনেস অনী ওইরিবা আর্মি লেফটনেন্ট কর্নেল অলেকজেন্দর ভিন্দমেন অমসুং এম্বেসেদর গোর্দন সোন্দলেন্দ ইরাই নুমিত্তা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মফম লৌথোকখ্রে।
পোলিটিকেল রাইভেল অমগীময়োক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা য়ুক্রেন্দা প্রেসর পীনবা হোৎনখি হায়বগী মরালদা ইম্পীচমেন্ট ট্রাইএল চথরককিবা ট্রম্পপু রিপব্লিকান্না কন্ট্রোল তৌবা সিনেটনা এক্কিট তৌখিবা মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা হ্বাইট হাউসকী নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা য়ুক্রেনগা মরী লৈনবা মকোক থোংবা এক্সপার্ট অমা ওইনা লৈরিবা ভিন্দমেনবু বিল্ডিং অদুদগী ঙাক শেন্দুনা পুথোকখি হায়না মহাক্কী উকিলনা ফোঙদোকখি। উকিল দেভিদ প্রেসমেন্না মখা তানা হায়খি মদুদি, অচুম্বা ৱা ফোঙদোক্লুবগীদমক্তা ভিন্দমেনবু ফম থাদোক্লবা খঙহনখি। মদুগী মতুং মতম খরা কান্নরগা সোনলেন্দনা মহাক য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়ু এস এম্বেসেদর ওইনা লৈরম্বা মহাক্কী ফমদগী দিসমিস তৌরে হায়না ফোঙদোকখি।
দেম্মক্রেটশিংনা কন্ট্রোল তৌবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা চথখিবা ইম্পীচমেন্ট ইনভেষ্টিগেসনদা মীওই অনী অসিনা ষ্টার ৱিটনেশিং ওইনা মখোয়গী ৱারোল পীখিবনি। এন এস সীদা উকিল অমা ওইনা থবক তৌখিবা ভিন্দমেনগী ফাইবোক মচিন-মনাও ওইবা য়েভজেনিসু হ্বাইট হাউসতগী ঙাক শেন্দুনা পুথোকখি হায়না ইম্পীচমেন্ট ইনক্বাইরি অদুদা ভিন্দমেনবু রিপ্রজেন্ট তৌখিবা মাইকেল ভোলকোভনা ফোঙদোকখি।
হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিনেটনা এক্কিট তৌখিবা মতুংদা ৱা ঙাঙখিবা ট্রম্পনা মহাক হৌজিকসু ইম্পীচমেন্ট ইনভেষ্টিগেসন অদুদা চেন্নখিবা দেম্মক্রেটশিং অমসুং গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংদা পেন্দে হায়না ফোঙদোকখি।

# লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা হোটেল মৈ চাকপদা মী ১ শিরে, অতৈ তরেৎ শোক্লে



লোস এঞ্জেলিস, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা হোটেল অমা মৈ চাক্লকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ তরেৎনা অশোক-অপন নংলে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
ইরাই নুমিত্তা নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তারকপদা মথোল অনীগী বিল্ডিং অদুদা মৈ চাকখৎলকপদগী ইমর্জেন্সি ক্রুশিং কৌরকখি হায়না লোস এঞ্জেলিস ফাইয়র দিপার্টমেন্ট (এল এফ দি)গী এসিষ্টেন্ট চীফ জাইম মুরগী ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বিল্ডিং মনুংদা শিরল্লিবা মীওই অদু মপুং মরৈ ফারবা নুপা অমনি। অশোকপা মীওই অনী ফিভম লুনা লৈরি। মৈ হৌগনবা পোৎশক খরা হিটর অমগা কা হেন্না নকশিন্ননা থম্বদগী মৈ হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ইনভেষ্টিগ্রেটরশিংনা থাজখি।
হিটর মনাক্তা মৈ হৌগনবা পোৎশকশিং থম্বা মতমদা য়ামদ্রবদা ইঞ্চি ৩৬ থাপ্লহনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। ফাইয়র ফাইটর ১০০ হেনবনা কন্না হোৎনদুনমমৈথংদা মৈদু মুখৎপা ঙমখি।

# টি টি পিগী মিলিটেন্ট এন্টি-টেরর ওপরেসন মনুংদা আর্মিদগী নান্থোকখি




ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
এক্তিভিষ্ট মালালা য়ুসফজাই অমসুং পেসাৱার আর্মি স্কুলদা চথখিবা টেরর এটেকশিংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা টেহরিক-ঈ-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি)গী স্পোক্সপর্সন ঈসানুল্লাহ ইসান অসি মঙোন্দগী ফংবা ইনফোর্মেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা এন্টি-টেরর ওপরেসন অমা পাঙথোক্লিঙৈদা পাকিষ্টান আর্মিগী কষ্টদিদগী নান্থোকখি হায়না থাংজ নুমিত্তা ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।
শগোলশেল নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা অমসুং ওনলাইন প্রাইভেট মেসেজিং প্লেটফোর্ম অমগী খুথাংদা পাক শন্না শন্দোকখিবা ওদিও রেকোর্দিং অমদা ইসানুল্লাহনা মহাক অমদি মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং হৌখিবা জন্যুৱারি ১১ দা পাকিষ্টান আর্মি অমসুং ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংগী কষ্টদিদগী নান্থোকপা ঙমখি হায়না ক্লেম তৌখি।
টি টি পি মচেৎ তারবা মতুংদা জামাতুল অহরার ফেক্সনগী স্পোক্সপর্সন ওইরকখিবা ইসানুল্লাহনা অসি কুমজা ২০১৭ গী ফেব্রুৱারি ৫ দা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংদা সরেন্দর তৌখিবগা লোয়ননা মতম অদুদগী কষ্টদিদা লৈরকখিবনি। ফাজিন্দুনা থল্লিঙৈ মতম অদুদা মহাক্না অরুবা অমসুং মরু ওইবা খরা ফোঙদোরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টি টি পি অমসুং জমাতুন অহারগী লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনল নেটৱার্কশিংদা চাওনা চৈথেং পীবা ঙমখি হায়না থাজবা য়াবা সোর্সশিং পল্লদুনা এক্সপ্রেস ট্রিব্যুননা ফোঙদোকখি।
মহাক্না পীবা ইনফোর্মেসন্দা য়ুম্ফম ওইরগা অথিংবা থম্বা গ্রুপশিং অসিগী টেররিষ্ট কয়া ফাখি হায়নসু মখোয়না মখা তানা ফোঙদোকখি।
অমরোমদা, টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা অসিগুম্বা ওপরেসন অমা চথরিঙৈ মনুংদা ইসানুল্লাহ নান্থোকখিবনি হায়না পল্লদুনা সোর্সশিং অসিনা হায়, হান্নগী টি টি পিগী স্পোক্সমেন অসিনা পীবা ইনফোর্মেসন্দা য়ুম্ফম ওইরগা হৌজিকসু ওপরেসন খরা মখা তানা চথরি। হান্না ফেসবুক্তা থাগৎলকপা ওদিও রেকোর্দিং অদুগী মতাংদা নেটিজনশিংনা ইরাই নুমিত্তা চিংনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

# কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা ৱুহানদা অমেরিকান ১ শিরে, অনৌবা ভাইরস ষ্ট্রেন্না চাইনাদা শিহনবা মী মশিং ৭২২ য়ৌরে



বৈজিং, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
চাইনাদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী লাইচৎতা শিখিবা মী মশিং থাংজ নুমিৎ ফাওবদা ৭২২ য়ৌখিবগা লোয়ননা লাইচৎ অদুগী ইপিসেন্টর ওইরিবা ৱুহানদা ভাইরস অদুনা মরম ওইদুনা য়ু এস সিটিজন অমা শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে। ওফিসল ইনফেক্তেদ কেস মশিংনা ৩৪,৫৪৬ য়ৌরে হায়রি।
রিপোর্ট অমদা সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্ট (এস সী এম পি) পাউচেনা য়ু এস এম্বেসিগী স্পোক্সমেন অমা পল্লদুনা হায়খি, চাংয়েংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরল্লবা মশাগী চহী ৬০ শুরবা য়ু এস সিটিজন অমা ফেব্রুৱারি ৬ তা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা লৈবা জিনয়িনতাং হোস্পিটালদা শিখ্রে হায়বসি ঐখোয়না কনফার্ম তৌবা ঙম্লে। মসিনা চাইনাদা লাইচৎ অদুনা ফোরেনর শিহনবগী অহানবা কনফার্ম তৌবা কেসনি হায়না এস সী এ পিগী রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।
হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন হুৱা চুনিয়্যংনা ফোঙদোকখিবা অমদা চাইনাদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা ফোরেনর ১৯ লৈ অমসুং মখোয়গী মনুংদা অনীদি দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা লেমহৌরিবা অতৈদুনা তোঙান্না থমদুনা লায়েংলি হায়খিবনি।
চৈরকসিদা চাইনাগী নেসনল হেল্থ কম্মিসন্না ইরাই নুমিৎ ফাওবদা প্রোভিন্সিএল-রিজন ৩১ অমসুং সীঞ্জাং প্রদক্সন এন্দ কোরদগী অনৌবা কেস ৩,৩৯৯ অমসুং মীওই ৮৬ শিখিবগী রিপোর্টশিং ফংলে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পুন্না মীওই ৭২২ শিরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে। শিরিবশিংদু হুবৈ প্রোভিন্সতা ৮১ নি অমদি হৈলোংজাংদনা ২ লোয়ননা বৈজিং, হেনান অমসুং গান্সুদা অমমমনি। হৌজিক মখা তানা পেসেন্ট ৬,১০১ অরুবা ফিভমদা লৈরি অমসুং মীওই ২৭,৬৫৭ ভাইরস অসি চঙলম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ হায়নসু কম্মিসন্না ফোঙদোকখি।

# ঈচাওনা মরম ওইদুনা য়ু এসকী ওরেগন ষ্টেটতা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ০৭ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী ওরেগন ষ্টেটকী কাউন্টি কয়াদা কা হেন্না ঈশিং ঈচাও থোকপদগী মফমশিং অদুদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।
ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ থোকপগা লোয়ননা ইন্টর-ষ্টেট হায়ৱেশিং মফম খরদা থিংজিনখ্রে অমদি অনেম্বা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়রি।
য়াম্না থুনা থোরক্লিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভমশিং অদুনা মরম ওইদুনা মফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহন্দবা য়াদবগী ফিভম লাকখিবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্টর্ন ওরেগোনদা লৈরিবা লম্বী কয়াসু থিংজিনবা তাখি হায়না গভর্নর কেট ব্রাউননা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।
ইমর্জেন্সিগী ফিভম অদু ঈচাওনা কা হেন্না শোকহল্লবা নোর্থ ইষ্টর্ন ওরেগনগী কাউন্টি অহুম উমাতিলা, য়ুনিয়ন অমসুং ৱালোৱাদা নুমিৎ ৩০ নি চৎনহনগনি।
লোকেল পাউচে ওরেগনিয়ন্না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, উমাতিলা কাউন্টিগী কাউন্টি সীট ওইরিবা পেন্দলটন ঈচাওনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। উমাতিলা তুরেল অমসুং মসিগী মশা মরেংশিংনা মফম অদুদা ঈশিং ঈচাও কা হেন্না থোকহনখিবনি হায়রি।
পাউচে অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, তুরেলগী নাকলদা মোবাইল হোম পার্ক অনীদা লৈরিবা মীওই পুন্নমক য়াওনা মফম অদুগী মীওই ৪৫ রোম শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখ্রে। ষ্ট্রকচর ২০০ রোম ঈচাওগী ঈশিংনা থুমজিনখ্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।
পেন্দলটনদা বেজ তৌবা নেসনল ৱেদর সর্ভিসকী মিটিওরোলোজিষ্ট অমা ওইরিবা রোজর ক্লোটিয়রনা ঈচাও অদু ইষ্টর্ন ওরেগন সিটিগী ওইনা পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবনি হায়না ফোঙদোকখি।
শাথিরবা ঈচাওগী ফিভম অদুদা গভর্নর ব্রাউননা নেসনল গার্দ, ষ্টেট পুলিস ফোর্স অমসুং অতৈ গভর্নমেন্ট এজেন্সিশিংদা ঈচাও থেংনবদা লোকেল ওথোরিটিশিংবু মতেং পাংননবা খঙহনখি।

# ইদলিবকী লাইবক হৌজিক রসিয়াগী খোঙথাং মখা পোনগদৌরি



অম্মান, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
মোস্কোবু মিলিটরিগী মুক্লবা ফিভম অমদা পুশিল্লকপা য়ারিবা টর্কিগা য়েংথিনবগী ফিভম লাকহনবা পামদবা রসিয়ানা থেঙ্খাং নাইনা হোৎনদুনা সিরিয়ন গভর্নমেন্টপু রেবেলশিংগী অরোয়বা ষ্ট্রোংহোল্ডনি হায়নরিবা ইদলিব পায়শিনহনবদা মতেং পাংলবা য়াই হায়না এনালিষ্টশিং অমসুং দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
রসিয়ন এয়র ষ্ট্রাইকশিংগী মতেংগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী আর্মিনা হৌখিবা চয়োল অনী অসিদা ইদলিব প্রোভিন্সকী টাউন কয়ামরুম খুদুম চনখিবগা লোয়ননা মফমশিং অদুগী মীওই লিশিং কয়া টর্কিগী বোদর তম্না চেন্নখি। সিরিয়ন আর্মিগী লাঞ্চং অদু চহী কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী কনবনি হায়না লৌনরিবনি।
তৌইগুম্বসুং মী কুন্না তাবা ইদলিব সিটিদা রসিয়ানা মাঙজৌননা মিলিটরি ফোর্স কা হেন্না থাজিল্লকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈত্রি। অসিগুম্বা অকনবা মিলিটরি কেম্পেয়ন অমনা অসাদপু মহাক অমসুং মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপনা চহী ৫০ রোম চুপ্পা পাল্লকখিবা সিরিয়াবু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমহনগদৌরিবনি।
অমরোমদা, মদুনা চহী ৯ লোম শুরল্লুবা সিভিল ৱার অদুদা ওপোজিসন ফোর্সশিং শৌগৎতুনা লাকখিবা টর্কিগা চাওনা মুক্লরকপা য়াবগী খুদোংথিবা ফিভমসু লৈরিবনি।
অসুম্না টর্কিগা ওনশিন্নরগা লান শোক্লবগী মহুত্তা রসিয়ানা রেবেলশিংগী লমশিং থেঙ্খাং নাইনা মথং মথং পায়শিনবা হেন্না পাম্মী হায়না নোংচুপ্লোমগী সিনিয়র ইন্টলিজেন্স ওফিসর অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।
সিরিয়ন রেফ্যুজি মিলিয়ন ৩.৬ চঙজফম পীদুনা লৈরিবা টর্কিন করিগুম্বা অসাদকী ফোর্সশিং থা অসি লোইবা ফাওবগী মনুংদা হন্দোক্তবা তারবদি মিলিটরি এক্সন লৌখৎকনি হায়না কিহনবগা লোয়ননা লমদম অদুদা লৈরিবা টর্কি আউটপোষ্টশিংদা রিইনফোর্সমেন্টশিং থাজিনখ্রবনি। সিরিয়ন রিজম অসি ইদলিবকা য়াম্না নকশিন্নৈ হায়না টর্কিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# ফ্রেঞ্চ স্কি রিজোর্টতা লৈরুবা বৃটিশ নেসনল ৫ ভাইরস পোজিটিভ ওইরল্লে



পেরিস, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
সিঙ্গাপোরদা চৎলুবা মীওই অমগা লোয়ননা স্কি সালেট অমদা লৈমিন্নরুবা অঙাং অমসু য়াওবা বৃটিশ নেসনল মঙা ফ্রান্সতা চাংয়েং তৌবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না থাংজ নুমিত্তা ফ্রেঞ্চ হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
হন্দক্তা ভাইরস পল্লকখিবনি হায়না বৃটেন্না কনফার্ম তৌখিবা বৃটিশ সিটিজন অমনা চৎথোক চৎশিন তৌখিবা মফমশিং ওথোরিটিশিংনা খঙদোক্লুবা হোৎনবা হৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা কেসশিং অসি থেংনরকখিবনি হায়না হেল্থকী সিনিয়র ওফিসল জেরোম সালোমোনন্না ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।
ফ্রান্সকী হেল্থ মিনিষ্টর এগনিজ বুজিন্না ফোঙদোকখিবদা, ইনৌ নৌনা কোরোনাভাইরসকী ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিং অদু হৌজিক অরুবা ফিভমদা লৈবদি নত্তে। ইষ্টর্ন ফ্রান্সকী সেবোইদা লৈবা কোতামিন্স-মোঞ্জোইগী সালেট অমদা পুন্না লৈমিন্নরুবদগী মীওইশিং অদু কোরোনাভাইরসনা শোকহনখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।
মখোয়গী গ্রুপ অদুদা ইহান হানবা ওইনা ভাইরস অসিগী কেসনি হায়না খঙবা মীশক অদু বৃটিশ নেসনল অমনি হায়না পল্লদুনা বুজিন্না হায়খি মদুদি, মীওই অদু জন্যুৱারি ২০ অমসুং ২৩গী মরক্তা সিঙ্গাপোরদা লৈরুরবা মতুং সিটি অসিদগী ফ্রান্সতা অমুক লাকখিবনি। মহাক জন্যুৱারি ২৪ দা ফ্রান্সতা লৈরম্বনি।
হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, স্কি সালেট অদুগী এপার্টমেন্ট অনী য়েংশিনবগী থবক চথরি। রিজোর্ট অদুদা থেংনরিবা লায়না লাইচৎ অদুনা অতৈ মীওইশিংদা শোকহনবা লৈতে।
কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা বৃটিশ নেসনলশিং অদু অহিংদা লমদম অদুগী সিটিশিং লিয়োন, গ্রেনোবল অমসুং সেন্ট-ইতিনিনিদা হোস্পিটালাইজ তৌখি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তাখি। মসিগা লোয়ননা ফ্রান্সতা ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন লৈরবা মী মশিং পুন্না ১১ শুরে হায়রি।

# আইরলেন্দগী ইলেক্সনদা প্রাইম মিনিষ্টর ভরাদকার মায়থিরবা য়াই




দব্লিন, ফেব্রুৱারি ০৮ (এজেন্সি) :
আইরলেন্দদা সিন ফেন্না মথি ফোঙলক্লিঙৈ মরক্তা পাঙথোক্লিবা লৈবাক অসিগী জেনরেল ইলেক্সন্দা আইরিস ভোটরশিংনা থাংজ নুমিত্তা ভোট থাদনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর লিও ভরাদকার লৈবাক অসিদা অনৌবা পোলিটিকেল লেন্দস্কেপ অমা লাক্কুনা মফম তারবা য়াই হায়না ওবজার্ভরশিংনা ফোঙদোক্লরি।
চহী ৩০গী কনফ্লিক্ট অমদা আই আর এনা নোরদর্ন আইরলেন্দদা বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান শোক্লখিবদা পুন্না মীওই ৩,৬০০ কী পুন্সি লোমখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৯৮ দা পিছ দিল অমা পুরকখিবনি। সিন ফেনগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি আইরলেন্দ অমসুং বৃটিশ লৈঙাক লৈবা নোরদর্ন আইরলেন্দবু অমত্তা ওইনা পুনশিনবনি।
থাংজ নুমিৎকী জি এম টি ২২০০ দা ভোট থাদবগী মতম লৌইদুনা খুদক্তা এগজিট পোল অমনা মীখল অদুগী চাওরাকপা অহানবা রিজল্টশিং উৎকদবনি। ভোট মশিং থিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী জি এম টি ০৯০০ দা হৌবগা লোয়ননা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা রিজল্ট খরা ফোঙলকপা য়াই হায়না থাজনরি। আইরলেন্দদা ঐখোয়না অহোংবা লাকহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মশাগী চহী ৪০ শুরবা ঈলিস ৱাল কৌবা ভোটর অমনা ফোঙদোকখি। মহাক য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নোংচুপ থংবা কাউন্টি ক্লেয়রদগী কিলোমিটর ২০০ লাপ্পা লৈবা দব্লিন সিটিদা লাকখিবনি।
মীখল অসি ফাইন গাইল পার্টিগী লিদর লিও ভরাদকারগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা পাঙথোকপা অহানবনি। মসি রিপব্লিক ওফ আইরলেন্দদা পাঙথোকপা অহানবা জেনরেল ইলেক্সনসু ওইরি। পুন্না রিপ্রজেন্টেটিভ ১৬০ দাইল নৎত্রগা লৱার হাউস ওফ পার্লিয়ামেন্টতা অমুক হল্লকনি হায়না পান্নরি।
গালৱে, মায়ো অমসুং দোনেগাল কাউন্টিশিংগী মনাক্তা লৈরিবা ইথৎ ১২গী মীওইশিংদি ইরাই নুমিত্তা ভোট থাদনখি হায়রি।